# MANIPURI

## PAPER–I

## (LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিবৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

MANIPURI

PAPER–I

(LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিং ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* মণিপুরী লোন অসি করম্না মচল য়াওবনা সিনো-তিবেতান ফেমিলিগী মনুংচম্না লৈবা লোননি হায়রিবনো ইয়ু।

*(b)* তোন কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোন্দা তোন মখল কয়া লৈবগে শুগায়না ইরকউ।

*(c)* অসপেক করম্না মশক তাক্কনি? মণিপুরী লোন্দা মসিগা তেন্সকা করম্না মরী লৈনবগে ইয়ু।

*(d)* ৱাহৈ-পরেং কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোনগী ৱাহৈ-পরেং মখল কয়া লৈবগে খুদম পীদুনা ইয়ু।

*(e)* ফ্রেজ করিনো তাক্লগা মণিপুরী লোনগী ফ্রেজ মখলশিং খুদম পীদুনা ইরকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরী ৱাহৈ-পরেংদা এফিক্সকী থৌদাং য়াম্না লৈ হায়বসি খুদম পীদুনা ইয়ু। 20

*(b)* মণিপুরীদা নেগেতিব সেনতেন্স মতৌ করম্না শেম্নবগে? করম্না ফিভমদা তে, দে, না ত, দ, ওনবগে ইরকউ। 10+5=15

*(c)* সিলেবল করিনো? খুদম পীদুনা মণিপুরী লোনগী সিলেবল মখলশিংদু ইরকউ। 5+10=15

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরী (মীতৈ) ময়েক চাওখৎনবা অমসুং পাকশন্না চৎনহন্নবা হোৎনবদা লৌখৎলিবা মরুওইবা থৌরাংশিংগী মরমদা নশাগী ওইবা মোত পীদুনা নৈনৌ। 20

*(b)* মণিপুরী লোনগী ভাৱলশিংগী আর্তিকুলেতরী দিস্ক্রিপসন্ নীংথিনা তাক্লকউ। 15

*(c)* কেস হায়রগা করিবু খঙনবগে? মণিপুরী লোনগী কেস মার্করশিংগী মরমদা খুদম পীদুনা ইরকউ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* ৱার্দ ক্লাস হায়রগা করি খঙনবগে? খুদম পীদুনা মণিপুরী লোনগী ৱার্দ ক্লাসকী মরমদা ইরকউ। 20

*(b)* কমপাউন্দিং কদায়বু কৌবগে? এক্সোসেনত্রিক অমসুং এন্দোসেনত্রিক কমপাউন্দগী মরমদা মণিপুরী লোন্দগী খুদম পীদুনা ইরকউ। 15

*(c)* মণিপুরী লোনগী চাউখৎলকপগী থেংখাঙশিংদা হোংলক্লিবা মশকশিংদু মরীক চুম্না ইরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* 'নুমিৎ কাপ্পা'দা করম্না নুমিৎপু খ্বাই নোংজেংবম পিবানা করিগীদমক কাপখিবগে ইরকউ।

*(b)* ফুঙ্গাৱারীগী মশাজৎশিংদু করি করিনো, মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদগী খুদম পীদুনা ইরকউ।

*(c)* ময়ায়চনবা মতমদা অনৌবা লাইনীংনা মণিপুরী সাহিত্যদা করম্না অহোংবা পুরকপগে হায়বদু তাক্লকউ।

*(d)* অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা জি. সি. তোংব্রাবু করম্না মখলগী অইবা ওইনা খঙনবগে ইয়ু।

*(e)* লাই হরাওবদা ঈকৌবগী থৌরম অসি কদায় ফাওবা মরুওইবগে মরীক চুম্না ইরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* লেজন্দ অমসুং ফোকটেল অনীগী খেন্নবদু খুদম পীদুনা নীংথিনা তাক্লকউ। 20

*(b)* 'হেঞ্জুনহা অমসুং লাইরৌলেন্বী'গী ৱারী অসি মণিপুরী সমাজগী করম্না রিচুয়েলগা মরী লৈনবগে, মরম পীদুনা লীরকউ। 15

*(c)* ফোক ব্যেলদ করম্না মশক তাক্কনি। মণিপুরী ফোক ব্যেলদকী মরমদা ইরকউ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* অনৌবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা করম করম্না সাহিত্যগী মচল (জেনর) থোরকখিবগে? মতম অদুগী লময়ানবা অইবশিংনা লৌরম্না থৌদাংশিংগী মরমদা ইরকউ। 20

*(b)* ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী হীরম, লোন, খুৎই, অমসুং মফোঙদোক্কী মরমদা ইয়ু। 15

*(c)* অঙনবা মতমগী মণিপুরী শৈরেংশিং অসি মরুওইনা লাইনীং লাইশোলগা শাগোন্নদুনা হৌরকই। খুদম পীদুনা ইরকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* ''মীতৈশিংনা বৈষ্ণব লাইনীং লৌরবদা লমদম অসিগী চৎনবী পুন্সি মরেল অমদি লৈহাওদা লাইনীং অসিনা অনৌবা মপোক অমা অমুক হন্না পোর্কই।'' হায়বা ৱাফমসি নৈনরকউ। 20

*(b)* মণিপুরী নাৎ অমসুং সাহিত্যগী পুৱারীগী লীক্লম্ তাকপদা 'চৈথারোল কুম্বাব'গী মরুওইবদু মমূৎতানা ইরকউ। 15

*(c)* লাইহরাওবসি মণিপুরী সংস্কৃতিগী শকয়েং মিংশেলনি হায়বা ৱাফমসিগী মতাংদা নশাগী মোত ফোঙদোক্লুনা ইরকউ। 15

★★★